# জপানিজ কুইএলগী মকোন শাবা অমদি মচিঞ্জাক শেম্বা

**সরাংথেম জেসমারানি**

কুইএল ময়াম্না জপানিজ কুইএল হায়না খঙনরিবসি কা হেন্না লূম্বা উচেক নত্তে। মসি চাউরাক্না গ্রাম ২৫০ লূম্মী অমদি চহী অমদা মরূম ২৫০-২৮০ মুক কোকই। জপানিজ কুইএলসি য়েংবদা লাবা অমদি অমোম ইরায় লায়না খন্দোকপা ঙম্মী। লাবা ওইরগনা মখোয়গী মথবাক্তা খরা পীকশিন্না ব্রাউন অমদি অমুবা মচুনা পাক্লা হৌবা থেংনবীগনি। কুইএলগী মরূমসি গ্রাম ১০ মুক্তমক লূম্বনিনা য়েরূম অমা লৈরগা চাবা ঙমদবা কাঙবুগীদি মসিনা মহুৎ শিন্দুনা চাবসু য়াই।

**কুইএলগী কান্নবশিং ঃ** কুইএলসি য়াম্না ঙন্না মপুং মরৈ ফাই, হাপ্তা ৬ শুরগদি মশা চাবা য়ারে, য়াম্না পীকপা উচেক মখল অমা ওইবনা শেল চঙদনা মকোন শেম্বা য়াই, কুইএলসি য়েন ঙানুদগী হেন্না মহাও লৈ। মসিদা ফেটকী চাং য়াম্না হন্থে, কুইএল মরূমসি কোলেষ্টরোলগী চাং য়াম্না হন্থে। মরম অসিনা অহল, অঙাং খাক্তনা চাবা য়াই, কুইএল মরূমসি মশা অমদি মরূমগী ন্যুট্রেন্টস য়াম্না য়াওবা মরম্না চাজেনবী মমাশিংনা চাবা য়াম্না ফৈ।

**লৈনবা মকোন শাবা ঃ** কুইএল মচাসি হেক ওনবদা ঙাইরিবা মতমদদি মৈ নীংথিনা পীদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। ওনবতা ঙাইরিবা কুইএলসি ঐখোয়না মৈশা পীনবা নীংথিনা শেম শাদুনা থম্বীগনি। অহানবদা ওনবদগী হাপ্তা অনী ফাওবদি কুইএল ১০০ গী ওইনা ৩ x ২.৫ x ১.৫ ফিট ওইগনি অমদি হাপ্তা ৩-৬ ফাওবগীনা কুইএল ৫০ দা ৪ x ১.৫ x ১.৫ ফিট ওইগনি। অহানবা হাপ্তা অমদদি মখোয়না থক্লবা ঈশিং পাত্রদা নূং হাপ্পীদুনা মশাদা ঈশিং চোৎহন্দনবা হোৎনবীগনি অমদি মচিঞ্জাকসু খরা খরা চাইথোক্লগা থম্বীগনি।

কুইএলশিং হাপ্তা ৩ ফারগদি মকোন অমগী মথক্তা অমা লোনখৎনরগা থম্বীবা য়াই। লোনখৎনরিবা মকোনসি টাইয়র হায়নসু খঙনৈ। টাইয়র অমদা কাখল মরি থোক্লা খাইদোক্লগা কাখল অমদা ৬০ সী এম x ৬০ সী এম x ২৫ সী এম ওইহন্দুনা কুইএল ২৫-৩৫ ফাওবা অঙৈং অশাগী মতুংইন্না থম্বীবা য়াই। কুইএল মশেল চিক্লদনবা মচিন অতুম্বদু হাপ্তা ৩ শুরগা ককথৎপীগনি। করিগুম্বা লৈমায়থক্তা ওইনা কুইএলশিং য়োকপীগে হায়রগদি মকোন মথক্তা হাপ্লিবা ৱাইশিংসি সী এম ৯ থানা হাপ্পীগনি। হাপ্তা ৫-৬ শুরক্লগদি মখোয়সি মরূম কোক্লগদৌরিবনিনা উচেক অমদা ১৫০-১৮০ স্কৱার সেন্টিমিটরগী জগাদা থম্বীগনি। কুইএল মচাশিং হেক ওনবগা পুং ২৪ মৈ পীবা মথৌ তাই। মশা চানবা মপূং ফারবা য়োনগদবা ওইরগদি নুমিৎ তরেৎনি ৱাৎলিঙৈদগী পুং ২৪গী মনুংদা পুং ৮ মৈ পীরগা পুং ১৬ পীদবনা হেন্না লূম্বা হেল্লি। পীগদৌরিবা মৈসি নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংবা মফম ওইরগদি তোঙান্না মৈ পীদ্রগসু য়াই।

**মচিঞ্জাক পীজবা ঃ** কুইএল য়োকপদা ব্রোইলর মচিঞ্জাক পীজবা য়াই। মসিদা ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা চেঙকুপ/ৱাইরু অমদি অতোপ্পা মচল য়ানবীগে হায়রগদি মখাদা থমজরিবা অসুম্না য়ানবীগনি।

টেবল ১ঃ মচিঞ্জাক শেম্বা

| মচল | ষ্টার্টর (kg/q) | লেয়র (kg/q) |
|---|---|---|
| ব্রোইলর মচিঞ্জাক | ৬০ | ৪৫ |
| চুজাক মকুপ | ২০ | ২৫ |
| চগেম | ২২ | ২০ |
| চেঙকুপ/ৱাইকুপ | ০৮ | ১৮ |
| থুম/ভিটামিন/মিনরেল | - | ০৫ |
| | ১০০ | ১০০ |

টেবল ২ ঃ নুংতিগী পীজবগী চাং

| মতম (হাপ্তা) | পীজগদবা চাং (গ্রাম) |
|---|---|
| ১ | ৫ |
| ২ | ২২ |
| ৩ | ১৫ |
| ৪ | ১৮ |
| ৫ | ২০ |
| ৫ অমদি মথক | ২৩-২৫ |

মচা হেন্না ওন্নবা লাবা-অমোম থম্মীন্নবা : মচা লৌনবা লাবা অমগা অমোম মঙাগী চাংদা থম্বীগনি। কুইলশিং হাপ্তা ৫-৬তগী মরূম কোকপা হৌরগসু মচা ওনবগী চাং ৱাংনা ফংনবা হাপ্তা ৮-১০ ফাওবগী মনুংদা লৌবনা হেন্না ৱাংই। মকোন মনুংদা কুইএলশিং য়াম্না চিন্না থম্বীরোইদবনি। নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়বা মফম ওইগনি। করিগুম্বদা লাবগা অমোমগা তোঙান তোঙান্না থম্বীরগদি লাবা হাপ্লবা মতুং নুমিৎ ৪নি লৈরগা মচা কোন্নবা মরূম লৌবীগনি। মরূম নিংথিনা কোক্লবা মচিঞ্জাক কাঙলোন চুম্না নীংথিনা পীজবীগনি। মচাগীদমক্তা কোনগদৌরিবা মরূমশিং থম্বা মতমদা মতোন অতুম্বনা মনুংদা লৈহল্লগা খরা পাকপদুনা মথক থম্বীগনি। হাপ্তা অমা ফাওবগী মনুংদা লৈবা মরূমশিং কোন্নবা শীজিন্নবা য়াই। মরূমশিং কোন্নবা হাপখ্রবা মতুংদা মচা কোনবগী মতমসি নুমিৎ ১৭-১৮নি চঙই।

**কুইএল মচা শেন্নবা :** কুইএল মচা হেক ওনবগা মখোয়দা পীগদৌরিবা মৈশাগী চাংসি ২১-২৪° ফাওবনি। মসিদা নুমিৎ ৪/৪নি লৈরগা ২.৮° সেলসিয়স হন্থগনি। মফম অমগা অমগা অঙৈং অশাগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না খ্বাইদগী লায়বা মওংদি ঐখোয়না পীরিবা মৈশাসি ৱাৎলে হায়রগদি মৈ মনাক্তা পূন্না তাশিন্দুনা লৈবা উগনি। অমরোমদনা পীরিবা মৈশাদু হেনবা ওইরগদি কুইএলশিং লাপ্না লৈবা থেংনগনি।

**কুইএলগী মরূম ঃ** কুইএলনা হাপ্তা ৫-৬ শুরগদি মরূম কোকপা হৌরকই। অয়াম্বনা নুমিদাংৱাইরমদগী মতমদা মরূম কোকই। মরূম অমনা গ্রাম ৯-১০ মুক লূম্মী। কুইএল মরূম অমদনা ঈশিংগী চাংনা ৭৪%, প্রোটিনগী চাংনা ১৩%, ফেটকী চাংনা ১১%, কাবোহাইড্রেটকী চাংনা ১% অমদি মসিদা কোলেষ্টরোলগী চাং য়াম্না হন্থে।

**কুইএলগী মশা ঃ** শেমদোক্লবা কুইএল চাবা য়াবা শাদোংসি ৭০-৭৩% নি। লাবগা অমোমগা লূম্বগী চাংসি অমোম্না হেন্না লূম্মী।

**লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঃ** কুইএলগী পুন্সিসি অঙৈং অশাগী মখা য়াম্না পোল্লি। মরম অসিনা ওনবদা ঙাইরিবা মতমদগী হৌনা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌবীবা, মৈ নীংথিনা পীবীবা য়াম্না মথৌ তাই। মখোয়গী লাইভ সাইকলসি য়াম্না তেনবা মরম্না হৌজিক ফাওবদি টিকা থাদোকপা নৎত্রগা তীল হীদাক থাবসি তৌদ্রি। মখোয়দা য়াম্না কম্মন ওইবা লায়না হায়রগদি মথি অঙাংবা ফাইবা, অঙৌবা ফাইবা অসি খরা থেংনৈ। মসিগী লায়ওংসি উরক্লগদি মনাক নকপা, অঙখ অহৈগা তানবীদুনা ঙন্না লায়েংবীহৌগনি। কুইএলসি য়েনগুম্না লায়না কয়া চেনগন্দে অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইবদি চেকশিন্না লূ-নান্না য়োকপীবসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌওং অমনি। মসি তৌবীরগদি শিবগী চাং হন্থবগা হেন্না শেন্দোং লৈনা লোয়বা ঙমগনি। ●

# চীংগী লমদা ঙা য়োকপা অমসুং মসিগী কান্নবা

**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরগী পাক চাউবগী চাউরাক্লা মরিফুতরাদি চীংগী লমনি। হায়রিবা চীংগী লমশিং অসিদা ঙাগী পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা অমদি পুথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মরমদি চীংগী লমশিং অসিদগী ঙা পুথোরক্লবদি মণিপুর মীয়ামগী কোন্ননবা ঙা পুথোকপদা নত্তনা মপান লমদা থাদোকখিবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরি।

কনাগুম্বা মীওই খরদি চীংদবু ঙা করম্না য়োক্কনি খনবদা অঙকপা ফাওবিরম্বসু য়াই। অদুবু মফম মতমগী মতুং ইন্না খরা খজিক ওম্থোক-ওনশিন তৌদুনা ইরায় লায়না য়াম্না চাউনা মায় পাক্লা ঙা য়োকপগী থবক পাঙথোকপা য়াই। চুম্নগী ঙা য়োকপদা নত্তনা ঙা মচা পুথোকপনচিংবসু চীংগী মফমশিংদা পাঙথোক্লরি।

অয়াম্বা চীংগী মফমশিং অসিদা ঈশিং তাঙবগী অৱাবা লৈবগা লোয়ননা অৱাংবা মফম ওইবনা ঈংবগী খুদোংচাদবা কয়াসু ঙা য়োকপা মতমদা মায়োক্লরি। হৌজিক য়োক্লরিবা ঙা অয়াম্বনা অইংবা মফমদা হৈনগনদে অমসুং মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থবনা চাউনা থিন্থহল্লি। মরম অসিননি নিংথম থাগী মতমদা ঙাশিংনা চাউদ্রিবা। মসিদসু নত্তনা প্লাঙতন হায়বা মহৌশানা পীবা ঙাগী খ্বাইদগী ফরবা মচিঞ্জাক হায়বদি ঈশিংদা লৈবা অপিকপা জীবশিং অসিসু অঙৈংবা মফমদা নিংথিনা লৈবা ঙমদে। মরম অসিদগী চীংগী লমদা ঙা য়োকপা মতমদা ষষ্ঠি ষণয়ুংগী হার অমদি অহেনবা মচিঞ্জাকনচিংবা চাং নাইনা হাপ্পীগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা মরমশিং অসি লৈবনা চীংগী লমদা য়োক্কদবা ঙা মখলশিং অসি মশা খরা হেন্না কনবা, অঙৈংবা মফমদসু হৈনবা, চিলহাও থিদবা অমদি চাউগনবা মখলগী ঙা মখলশিং ওইনা খনবীগদবনি।

হৌজিক ময়াম্না য়োক্লরিবা ঙাশিং অসিগী মরক্তগী হায়বা তারবদি পুকলাওবী, নাপী চাবী অমদি শিলভর কার্প অসিনচিংবনি। মতাং অসিদা হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা ৱাফম অমা হায়রগদি তম্পাক্কী মফমশিংদা উবা ফংদবা মওং অমা চীংগী মফমদা হেক হেক উবা ফংই হায়বদি চীংনা শারৈ অমগুম্না ঈকোয় কোয়না কোয়শিনবা অদুগা ময়ায়দনা হেন্না কুৎথদুনা লৈবা মফম খরা চীংগী লমশিংদা লৈরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদদি শাবগী চাং য়াম্না হেনবা মরম্না তম্পাক্কী মফমশিংদা তৌবগুম অয়াম্বা ঙাশিং য়োকপদা হেন্না খুদোং চাহল্লি অমদি চাউবগী চাংসু হেল্লি।

চীংগী লমদা ঙা মচা পুথোকপগী থবক অসি কয়া পাঙথোক্লদবা মরম্না চীংগী লৌবুক্তা নৎত্রগা চীংগী নাপোমদা লৈবা পুখ্রিশিংদা য়োক্লনবগীদমক ঙা মচাশিং অরাপ্পা মফমদগী লৈনৈ। মরম অদুনা পুথোক পুশিন তৌবগী শেল য়াম্না চঙবদা নত্তনা খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্লরি। মরম অদুনা ইশা ইশাগী ঙা মচা পুথোক্তুনা, ঙা য়োকপগী থবক হেন্না মায় পাকহনবগী মথৌ তাই। মহৌশানা চহী চুপ্পা অফবা ঈশিং ফংবা মফম কয়া চীংগী লমশিংদা লৈ। অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা ঙাগী পুখ্রি মচা মচাশিং শেমদুনা মায়পাক্লা ঙা মচা পুথোকপগী থবক পায়খৎপা য়াই।

ঙা, ষণ, ওক, য়েন, ঙানু, মনা-মশীং অমদি অতোপ্পা পোৎশকশিং পূন্না মতম অমত্তদা মফম অমত্তদা পাঙথোকমিন্নবা অদুবু ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং কৌই। হায়রিবা থৌওং অসি চীংগী লমশিংদা য়াম্না কান্নবা য়াবা থৌওং অমনি। চীংগী লমশিং অয়াম্বা ইমুংদা ষণ, ইরোই, ওকনচিংবা কয়া য়োকপগী চৎনবী লৈ। মরম অসিনা মখোয়শিং অদুবু পুল্লপ পুনশিন্দুনা অমনা অমগী কান্নবা ফংমিন্নদুনা চাথোক হেন্না পুথোকপা য়াই। মতাং অসিদা কম্যুনিতি ফার্মিংগী কান্নবা ফংমিন্নবসু য়াই। লৈকায় নৎত্রগা খুঙ্গং অমদা লৈমিন্নরিবা লৌমীশিংনা তোঙান তোঙানবা শিনফম পায়জরবসু অমগা অমগা মরী লৈনদুনা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা হেন্না চাথোক পুথোকপা অমদি ইৱা ৱাদনা অমসুং পৈশা কা হেন্না চঙহন্দনা চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। অসুম্না তৌদুনা খরা অমনা শা-ষণ, ওক্লচিংবা লোইবা, খরা অমনা মনা মশিং, মহৈ মরোং থাবা অদুগা খরা অমনা ঙা য়োকপগী শিনফম পায়বা য়াই।

চীংগী লমশিংদা ফৌ মরক্তা ঙা খরা খরদা ওইরবসু য়োকপা হায়বসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। অসুম তৌদুনা লৌ উবিরিবা মীপুম খুদিংমক্না লৌ উবা মতমদা লৌবুক্তা ঙা মচা খরা থাদবিদুনা ইশাগী ইমুংখক্তগী ওইরবসু য়াবা ঙা কিলো খরদি ফৌ লোকপা মতমদা ফংনবা হোৎনবীরবদি লৈবাক্কী ওইনা ঙা পুথোকপা অমদি শেল থুমগী ফীভম ফগাৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। লৌবুক্তা ঙা য়োকপা মতমদা ফৌগী চাথোক হেনগৎহনবা ঙম্মী। লৌবুক্তা লৈবা তীল-কাং অমদি নাপী চাথোকখিদুনা ফৌ পান্নীদা কান্নবা কয়া পীবদা নত্তনা ঙাগী মথিনসু লৈহাও লৈহল্লি।

চীংগী লমদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং য়োক্তুনা য়াম্না কান্নবা ঙাশিং মুৎখিগদবদগী কনবতা নত্তনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ঙা কয়া য়োকপগী থৌওংশিং পায়খৎপসু য়াই।

চীংগী লমদা ঙা য়োক্তুনা লৈবাক্কী ওইবা ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শেল থুমগী ফীভমসু ফগাৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি। ●


### / ইঙ্খোল য়োঙ্গরি

শীংজমৈ ৱাইখোম লৈকাই (ইম্ফাল ৱেষ্ট) লম্বীগা তায়নবদা পোইন্ট ৬.৫ চাওবা ইঙ্খোল পক্কা বিল্ডিং (জি প্লস ৱান) য়াওনা তঙাইফদবা অমদগী য়োঙ্গরি। পাম্বীবশিংনা ফোন নম্বর ৯৬৩২১১৫৫৪৮ অসিদা তৌবীরকউ।

HL-P/2844/13, 14

### / WALLET অমা তাহৌরে

হৌখিবা তাং ২/১২/২০২০ দা Toubul গী পম্প অমসুং Ngaikhong গা তাইনবা লম্বীদা ঐগী Wallet তাহৌরে। Wallet অদুদা ঐগী মরুওইবা চে-চাং, PAN Card, Driving Licence, গাড়ীগী Smart Card অসিনচিংবশিং অসি য়াওখ্রে। কনাগুম্বনা খুনবা য়াওবীরবদি মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ পীবীরকউ, অদোমগী মীনুংশি চাওরবা তৌবীমল মতীক চানা উৎচগনি।

**Sd/- Yumnam Jemson Singh**
Mayang Imphal Bazar
# 8413042948 / 8837062691

HL-P/8253/14

### / JOB FOR FRESHERS

ISO 9001:2015 Certified organisation amagidamak Imphal amasung Manipur gi major District singidamak oigadaba official Post 67 athubagi oina thabak koujari, Thabak asigidamak Class X, XII, Graduation pass toukhraba amadi tamliba student faobanasu apply toubiba yagani.

| | | |
|---|---|---|
| Age Limit | : | Below 35 yrs. |
| Income | : | Rs. 10,000/- to 37,000/- (P.M) |
| Facility | : | Fooding + Lodging Available |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

**NO DEPOSIT SYSTEM**

Apply toubiningbasingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana athuba matamda tanabiu.

HL-P/8205/7,9,11&14 **Contact : 9774986962, 8837369704**

### GOVERNMENT OF MANIPUR
## MEDICAL DIRECTORATE
### / NOTIFICATION

Imphal, the 11th December, 2020

No. 104/1/2020-DHS: The Mop-up round counselling for selection of MBBS/ BDS/ BASLP candidates which was scheduled on 14-12-2020 at JNIMS, Porompat is hereby re-scheduled on 21-12-2020 (Monday).

HL-P/8250/14 Sd/- **DHS, Manipur**

### EXPRESSION OF REGRET AND APOLOGIES

11th December, 2020

I express my sincere apologies and regret to the Government of Manipur for uploading of one post on Facebook on 08/12/2020 using my personal Facebook account alleging the Government of Manipur for destroying Poppy cultivation at Mullam Songphel area. Besides, I also understand that my action is tantamount to favouring and supporting poppy cultivation and also who are against Government of Manipur for their action of destroying in Ukhrul District and those who openly post insulting statement in social media promoting enmity between different groups on the grounds of religion, race, place of birth, residence, language etc. which is totally against the law of the land. I also express my heartfelt apologies and I sincerely regret my acts of bogus phone Facebook post and promise to never repeat such acts in the future.

Sd/- **Victor Sesei @ Lunkhosei Haokip (24)**
S/o Ngamkhohao Haokip of
G-Gelbung Village, Sapermeina, KPI District

HL-P/8248/14

### APEX PROGRESSIVE PEOPLE ASSOCIATION
HEIRANGOITHONG BAZAR

### / অৱাবা ফোঙদোকপা



Apex Progressive People Association Heirangoithong Bazar গী Executive Member ওইরম্বা শ্রী লাইতোঞ্জম নবকুমার (মোবী) সিংহনা দিসেম্বরগী তাং ১১, ২০২০, ইরাই নুমীৎতা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবগীদমক এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম অহোংজাও সিংহগী য়ূমদা পাঙথোকখ্রে অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা : **থোকচোম জোতিন সিংহ**
সেক্রেটরি

HL-P/8257/14

### / OFFER / OFFER

## য়েন্নাও অমদা লুপা ২৫, ঙানুনা লুপা ৪৫দা ফংবীগনি

লাক্লিবা তাং ২০ নোংমাইজিং নুমীৎতা য়েন্নাও Kuroiler অমদা লুপা ২৫, ঙানুনা লুপা ৪৫দা ফংবীগনি। ২০০ শুনা লৌবীবা মীওইশিংনা wholesale rate তা লৈবীবগী খুদোংচাবা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। থাংজ খূদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। নোংমাইজিং নুমীৎ খূদিংগী য়েন্নাও অমদি ঙানু মচা হোঙনা ফংবীগনি।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
Near Postal Colony, Eastern Ground Road,
Palace Compound, # 9436085117

HL-P/8252/14

### / ওজা কবিরাজ ABDUL HAK
### মণিপুরদা অতাংবা ওজানি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী হীদাক চাবীদুনা পূন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু মরমদি ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলসনা নাবগী অৱাবশিং খোঙ হান্বদা মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা য়াম্না তোয়না হাক্কৎচবা, চক্-চক্ থিনবা, অমাংথোঙদা পেরে থোক্তুনা ইঞ্চি মখায়মুক ইন্থরকপা, পূক শাবা, পূক খোংবা, থবাক ফুনগৎপা, চানিংবা পোক্তবা, ঈশা ইতন-তন্থবা, খোঙ হান্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরম্বা অদু ওজা অব্দুলগী হীদাক চাজবদগী অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু পূন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

**ওজাগী লায়েংফমদি :-**
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
Contact No. : 8794429681, 8014623756

*থাগৎচরিবা :* **Th. Rajmohan Singh**
Nambol Bazar

HL-P/8117/14

### THE IMPORTANCE OF THE STUDY OF ENGLISH GRAMMAR

Now-a-days, most of the young students of Manipur are awfully weak in English Grammar. The don't know even the A.B.C. of English Grammar. Some years ago, the Eng. marks were 300 then 200 and now only 80 in H.S.L.C. Examinations. Grammar is not taught well in schools. We know that this is a reason for their weakness. English is spoken and used all over the world. This is the lingua franca of the World. If we know English grammatically, we will be able to acquire much knowledge by studying many subjects very easily, last but not the least, the knowledge of English Grammar is a must in Modern Education. Therefore, I want to extend my helping hands to improve them, from Class VII to Class X commencing from December 20, 2020 right onwards.

**Moirangthem Dhirkumar M.A. B.T (Kongba)**
Ex. NCC officer, Hindi Ratna
Ex. Principal Standard College
Ex. Principal Hafiz Brighter Academy
Ex. Principal Suraz Rare Flower School
Ex. Senior Lecturer, C.C. Hr. Sec. School
Ex. Sr. Lecturer Bishnupur Hr. Sec. School
Ex. Sr. English Teacher M.M. H/S

***Please contact me for details, Phone No. 9378113634***

HL-P/8249/14 **Sd/- M. Dhirkumar Singh**

## TRANSLATING DRAFTING & EDITING AT WONDER WORD WEAVER

1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.

*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.

**For details please contact :**
**WONDER WORD WEAVER**
**8974642764**
**Or write to :**
**wonderwordweaver@gmail.com**
**phoenixrhymeschool@gmail.com**

HL-B/6513/8/11-6/12 (alt)

### / লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

*উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং*

***(অঙৌবা পকপা)***
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

***(তাং-তাং চিকপা)***
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

***(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)***
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

***(নুংশং)***
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

***(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)***
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

***নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু***

***(নুপাগী প্রোব্লেম)***
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

***(নুপীগী প্রোব্লেম)***
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

***(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)***
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

***(শমগী প্রোব্লেম)***
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.**

HL-B/6498/03/11-02/12

## APOLLO ACADEMY
*Moulding Medical & Engineering Career*

**ADMISSION OPEN**

| | | |
|---|---|---|
| COMPREHENSIVE COURSE FOR XII/Sc. - HSE (CBSE&COHSEM), 2021 (UNDER *the guidance of Experienced Teachers*) | & | SPECIAL CLASS FOR GEN. ENGLISH & MANIPURI XII/Sc - HSE (COHSEM) - 2021 |

# Supply study materials.
# Suggestions for scoring 90% and above.
# Limited seats (Offline class only)

LAST DATE OF FORM SUBMISSION: 12TH DEC., 2020
CLASS COMMENCEMENT : 2ND WEEK OF DEC., 2020

Office Timing : 8am - 3pm Class Timing : 6am-9am & 3pm-4:30pm

*Interested students and guardians may contact :-* APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6524/2-14 (alt)

## ADMISSIONS OPEN FOR THE ACADEMIC YEAR 2020-21

**HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW!!!**
**STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES FOR MANIPURI STUDENTS**

**COURSES OFFERED**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| MBBS | B.PHARM | BE | BCA | BSc NURSING |
| BDS | M.PHARM | MBA | BBA | BSc, MSc NUTRI |
| BAMS | PHARMA.D | MCA | BCOM | PBBSc NURSING |
| BHMS | D.PHARM | BHM | MCOM | MSc NURSING |
| BMLT | BPT, MPT | GNM | LLB | M.TECH..etc. |

OFFICE TIME: 8AM TO 4PM
CONTACT US: 8310788408, 9035374340, 7005156406
SAGOLBAND MEINO LEIRAK, IMPHAL.

HL-P/8183/5/12-4/01